ওল ইন্দিয়া ইন্টর-সাই কারাটে টুর্নামেন্ট

# এস টি সী ইম্ফালনা নীনি চনবা নুমিৎতা মেদল ৭ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯ (ঐচএনএস):

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টর (সাই এন ঈ আর সী) ইম্ফালনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী সাই এস টি সী ইন্দোর হোলদা চথুরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর-সাই কারাটে টুর্নামেন্ট ২০২৩গী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা এস টি সী ইম্ফাল মণিপুরনা গোল্ড ৪ অমদি সিলভর ৩ পূন্না মেদল ৭ ফংবা ঙমখ্রে।

মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড ৪, সিলভর ৭, ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ১২ ফংদুনা মেদল টেলিগী অহুমশুবদা লৈরি।

এস টিসী নহরলাগুন অরুনাচল প্রদেশনা গোল্ড ১৩, সিলভর ৪, ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ২০ ফংদুনা মেদল টেলিগী মকোক্তা অদুগা এস টি সী শিল্লোং মেঘলায়ানা গোল্ড ৫, সিলভর ৪, ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ১৫ ফংদুনা অনীশুবা অমদি এস টি সী আইজোল মিজোরামনা সিলভর ৪, ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ১০ ফংদুনা টেবলগী ৪শুবদা লৈরি।

ঙসিনীনি শুবা নুমিৎতা ষ্টেটকী গোল্ড ফংখিবশিং অদুদি কেদেট বোইজকী কুমাইট ইভেন্টতা এস টোনি (কেজি ৫২), এন সন্তোশ (কেজি ৬৩), কে ঐচ মধুসুমতি কেদেট গর্লস (কেজি ৬১) অমদি এস রোনাল্ডো জুনিয়র বোইজ (কেজি ৬১)নি।

সিলভর মেদল ফংখিবশিং অদুনা কুমাইট ইভেন্টকী কেদেট বোইজ কাঙলূপ্তা দল্লিয়ুলনচেনবা (কেজি ৫৭), ঐচলনচেনবী কেদেট গর্লস (কেজি ৫৪), এল লক্কি জুনিয়র বোইজ (কেজি ৫৫) অমদি এন বিশোদিয়া সিনিয়র গর্লস (কেজি ৫০)নি।

এস টি সী অরুনাচল প্রদেশকী খিয়োদা টিলক, কুটুং নামপে, লা তারা, দোনি নেরি অমদি য়ানা বঙ্গানা গোল্ড মেদলশিং লৌখি।

এস টিসী শিল্লোংগী ইনলুমলাং খেমিও, দাপিসা সাদপ, এদিলিন সোকখলেট, মিরিনমোইদ্যুগারিয়া অমদি অঙ্কিতা রাজবংশিনা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসি ইরাই নুমিৎতা লোইশিল্লগনি। লোইশিনবগী থৌরমদা সাই এন ঈ আর সী ইম্ফালগী রিজনেল দিরেক্টর ইন-চার্জ লিয়ানমিন্থাংনা অথোইবা মীথুংলেন, সাই এস টি সী ইম্ফালগী দেপ্যুটি দিরেক্টর এল ইবোমচানা থৌরম মপূ অদুগা সাই এন ঈ আর সী ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর লাইজিং এল মরিং, সাই এন ঈ আর সী ইম্ফালগী (ওপস)কী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর সিভম য়াদব, সাই এন সী ও ঈ ইম্ফালগী সেন্টর ইন-চার্জ টি নিলমণি অমদি সাই এস টি সী উৎলৌগী সেন্টর ইন-চার্জ কে ঐচ লোকেন্দ্রোনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়ারগনি।



এম এন সী এ এলিট টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ হৌদোকখ্রে

# এম পি এস সীনা অহৌবা মেটচতা ৱিকেট ৮দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯ (ঐচএনএস):

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা ৭শুবা এম এন সী এ দল্লিয়ু প্রহ্লাদ অমদি দল্লিয়ু রমানন্দ এলিট টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ ঙসি লুৱাংশংবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) মণিপুর সেন্ট্রেল জেলনা রুল মালেমবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে।

রুল মালোমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩৮.৩দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৩৭ লৌবা ঙমখি। মালোমগী বেটসমেন রাজকুমার হেরাচন্দ্রনা আউট ওইদনা বোল ৪৬তা রন ৩৭ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা শান্নরোয় ওইখি। চবুংবম ইশ্বরজিৎনা বোল ২৯দা রন ২৩, সঞ্জেনবম অনন্দ অমদি সঞ্জেনবম সোমোকান্তনা বোল ৫৯ অমদি ৪১দা চপ মান্নবা রন ১৯/১৯ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা মণিপুর পুলিসকী বোলর পোৎশংবম বোনেমনা ওভর ৪.৩ লংবদা ৱিকেট ৩, সরাংথেম শঙ্করনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৩, মাইবম বিজয়কুমারনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ২ অদুগা ওইনাম রোজিৎ অমদি চিংঙাংবম লোকেশ্বরনা ওভর ৮ অমদি ২ লংবদা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা এম পি এস সীনা ওভর ২৭.৫দা ৱিকেট ২ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা মালোম টিমবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখিবনি।

পুলিস টিমগী ওপনর সগোলশেম সুনিলনা বোল ৫৫দা রন ৪০, পোৎশংবম বোনেমনা আউট ওইদনা বোল ৮৭তা রন ৭৪ অমদি সরাংথেম শঙ্করনা আউট ওইদনা বোল ২৩দা রন ১১ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা বোলিং তৌখিবা মালোমগী বোলর থাংজম চেরিনা ওভর ৩ লংবদা রন ১১ পীরগা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি। থোকচোম কিষননা ওভর ৬ লংবদা রন ৩৪ পীরগা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিদা মণিপুর পুলিসকী পোৎশংবম বোনেম অমদি সগোলশেম সুনিলনা বোল ৮৭ অমদি ৫৫দা রন ৭৪ অমদি ৪০ অদুগা মালোমগী রাজকুমার হেরাচন্দ্রনা বোল ৪৬তা রন ৩৭ লৌদুনা বেটসমেনগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি।

পুলিস টিমগী পোৎশংবম বোনেমনা ওভর ৪.৩দা ৱিকেট ৩, সরাংথেম শঙ্করনা ওভর ৮দা ৱিকেট ৩, মাইবম বিজয়কুমারনা ওভর ৮দা ৱিকেট ২ লৌদুনা বোলরগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি।

লোইশিল্লকপদা এম পি এস সীগী ওল রাউন্দর পোৎশংবম বোনেমনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি। মেটচ অসিদা সয়েদ অলি অমদি ললিট রাজকুমারনা অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা ইরাই নুমিৎতা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (ট্রাও) ক্লাকৈথেল অমদি অল-অমিন লিলোং অনীনা লম্বা তৌনরগনি।



ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ৱুশু চেম্পিয়নশিপ

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা গোল্ড ১ য়াওনা মেদল ৪ লৌখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯ (ঐচএনএস):

পঞ্জাবনা য়ুম্বা ওইদুনা মোহলিদা লৈবা চান্দিগর য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ৭তগী হৌদুনা চথুরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ৱুশু (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) চেম্পিয়নশিপ ২০২২-২৩গী ঙসি হুম্লি চনবা নুমিৎতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা গোল্ড ১, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৪ ফংবা ঙমখ্রে।

গোল্ড মেদল ফংখ্রবা শান্নরোয় অদুদি মণিপুর কোলেজগী সোহন য়ুম্নামনি। মহাক্না টাওলু ইভেন্টকী টাইজিক্কানদা গোল্ড মেদল ১ ফংবা ঙমখি।

বিরমঙ্গোল কোলেজগী সলাম মার্শেলনা টাওলু ইভেন্টকী চাংক্কান অমদি জিয়ান্সুদা সিলভর মেদল অনী ফংখি অমদি বিরমঙ্গোল কোলেজগী সী ঐচ দিনেশনা নন্দাও ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ৱুশু টিম অসি শ্রীশ্রী গৌরগোবিন্দ গর্লস কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মোইরাংথেম সুন্দরচান্দনা মেনেজর অমদি কে ঐচ বোবিনা কোচ ওইনা শরুক য়ারি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিমনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেদল লৌরকপদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর অমদি এম য়ু স্পোর্টস কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল

# লংথবাল এফ সী, য়ু ভি এস এ দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯ (ঐচএনএস):

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা মালোমগী ৱাই দল্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা চথুরিবা ২২শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা লংথবাল এফ সী অমদি য়ু ভি এস এ লিলোং চজিং ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

লংথবালগী এস রোহিনি কুমারনা শান্নবা হৌরকপগী ৪শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা কে ঐচ রোমেননা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা লিলোং চজিং টিমগী ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি।

টিম অনীনা মখা তানা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী ১-১দা দ্রো ওইখিবনি। মেটচ অসিদা রেফরিনা লংথবালগী টি ঐচ গীটচন্দ্রবু শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অমরোমদা, গ্রুপ দিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কৈশামথোং এফ সী অমদি এফ সী ইম্ফাল গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

মেটচ অসিদা রেফরিনা কৈশামথোং এফ সীগী এল কিরনকুমারবু অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা ইরাই নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা গ্রুপ দিগী এ এফ এফ সী হৈঙাং অমদি নাইন এ এম য়াইস্কুল রেঞ্জ নুংথিল পুং ২দা শান্নরগনি। অনীশুবদা, গ্রুপ এগী ভেটরান ফুটবোল ক্লব (ভি এফ সী) কক্ৱা অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) ভেটরান নুংথিল পুং ৩.১৫দা লম্বা তৌনরগনি।

# অম্ফাগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা এ আই এফ এফতা পোইন্ট ৫ য়াওবা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯ (ঐচএনএস):

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)কী প্রসিদেন্ট অমদি জেনরেল সেক্রেটরিগী মণিপুর খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা ষ্টেট অসিদা ফুটবোলগী দিভলপমেন্টকী মতাংদা খন্নবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগা থা অসিগী ৬তা চীংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিকতা উনবা অমদা এ আই এফ এফকী ওফিসলশিংদা কাউন্সিলনা পোইন্ট ৫ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দমদা য়াওখিবা পোইন্টশিং অদুদি অহানবদা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দগী অনৌবা টর্ফ শীনদাকপা, অনীশুবদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিলভপ তৌহনবা, অহুমশুবদা ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী চাওবা অমদি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সী সী মীটপু অপগ্রেদ তৌহনবা, মরিশুবদা অম্ফাদা মতম-মতমগী ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স পীবা অমদি মঙাশুবদা অম্ফাগী হৌজিক-হৌজিকপাঙথোক্লিবা এক্টিভিটিশিংগী মতাংদনি।

অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইগী চেরোলনা মখা তারদুনা অম্ফানা এ আই এফ এফ অমদি মণিপুর লৈঙাক্না খূৎশম্নদুনা মার্চ ২০দগী ২৮ ফাওবা ইম্ফালদা ইন্টরনেসনল ফ্রেন্দলি মেটচ পাঙথোক্লগনি। মেটচ অসিদা ইন্দিয়া, কির্গিষ্টান অমদি ম্যান্মার পূন্না শান্নরগনি।

এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিনা ষ্টেট অসিগী ফুটবোলগী দিভলপমেন্ট অমদি ইস্যু খূদিংমক্তা এ আই এফ এফনা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরমখি হায়রি।

# কৈল্যানী চনু এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মেম্বর খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মীফম অমা থা অসিগী ৩দা পাঙথোক্লবা মতুং কাউন্সিলগী মেম্বরশিংনা য়েৎনবা লৈতনা সী ঐচ কৈল্যানী চনুবু এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মেম্বর ওইনা খনখ্রে।

মহাক এল চাওবগী মহুৎতা এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মেম্বর ওইনবা খনখিবনি।

অমরোমদা, থা অসিগী ৩দা ফমখিবা এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মীফমনা এসোসিএসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা এল নবাগী রেজিগ্নেসনসু অয়াবা পীখ্রে।

মহাক্কী মহুৎতা এস জিতেন মৈতৈবু অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিগী ফম পুনবা এগজিক্যুটিভ কাউন্সিল মেম্বরনা য়েৎনবা লৈতনা অয়াবা পীখ্রে।

# রিয়লাইন্স ফাউন্দেসন দিভলপমেন্ট লীগ য়ু-২১ বোইজ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা রিয়লাইন্স ফাউন্দেসন দিভলপমেন্ট লীগ ফোর অন্দর-২১ বোইজ ক্বালিফায়র পাঙথোক্লগনি হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

লীগ অসিদা টিম ৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কনি। লীগ অসিগী মকোক-মথং তারবা টিম অনী নেসনল চেম্পিয়নশিপকীদমক ক্বালিফাই ওইগনি।

লীগ অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংনা ২০০২গী জন্যুৱারী ১ নৎত্রগা মতুংদা পোকপা ওইগদবনি। লীগ অসিগী টিম অমদা ২০০০গী জন্যুৱারী ১ নৎত্রগা মতুংদা পোকপা অন্দর-২৩গী শান্নরোয় ৫ শরুক য়াবা য়াগনি অমদি য়ামদ্রবদা শান্নরোয় অহুম ফর্ষ্ট ১১দা য়াওবা য়াগনি।

শরুক য়ানিংবা টিমশিং অমদি ক্লবশিংনা থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা মখোয়-মখোয়গী চে-চাংশিং পীশিল্লকুবা খঙহল্লক্লি। টিমশিং অমদি ক্লবশিংদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং সী আর এস রেজিষ্টর তৌবা ওইগদবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# দি এস এ ককচীংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংগী লাইফ মেম্বর অমদি রেফরি ওইরম্বা ককচীং সুমাক লৈকাইদগী কে এস ঐচ ইবোতোম্বীনা থা অসিগী ৮দা লৈখিদববু দি এস এ ককচীংগী মায়কৈদগী অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

দি এস এ ককচীংগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লদুনা, মহাক এসোসিএসন অসিগী তোঙান-তোঙানবা থবক থৌরমশিংদা লাইফ মেম্বর ওইদুনা শরুক য়ারম্মী। মহাক্না হিংলিঙৈদা ষ্টেট অসিগী ফুটবোলগী দিভলপমেন্টগী মতাংদা পায়খৎলম্বা থবক থৌরমশিংবু নীংশিংখি।

এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা মপূগী মফমদা থৌনীজখি।

১৩শুবা সহিদ মনোরঞ্জন ফুটবোল

# সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ, এফ ফোর সী প্রি ক্বার্টর চঙখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯ (ঐচএনএস):

আই জি পি মণিপুর অমদি নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পি এফকী লমজিং মখাদা ১৪৩ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা শীন্দুনা তাকয়েলগী সাই গ্রাউন্দদা চথুরিবা ১৩শুবা সহিদ মনোরঞ্জন মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি তাকয়েলগী সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমদি এফ ফোর সী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি কার্টর ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ১০দগী হৌদুনা শান্নরগনি। ইরাই নুমিৎকী পুং ১.৩০দা ক্লাসা এফ সী কৈনৌ অমদি ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি অনীনা অহানবা প্রি ক্বার্টরদা লম্বা তৌনরগনি।

সাই গ্রাউন্দদা ঙসি অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অমদা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা কে এফ এ কাংপোকপীবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

কাংপোকপীগী পাওগৌথাংনা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। চোংলোইনা শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি।

টিম অনীনা স্কোর মান্নরবা মতুং চোংলোইনা মখা তানা শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনখি। সুনজানথাননা শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি য়ুলুং লুংসুনা কে এফ এগী সৈখোচোন খোংশাই অমদি সৈভাংলেন লুফেং শান্নবগী ৪৯ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা এফ ফোর সীনা নেরোকা এফ সীবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

লালগৌজিননা শান্নবা হৌরকপগী ৬শুবা মিনটতা এফ ফোর সীগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি টি হেমন্তনা এফ ফোর সীগী সৈ জোসেফ, মাংমিনলাল অমদি নেরোকাগী ইশ্রাখানবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

# ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপ : রিয়াল মাদ্রিদ ফাইনেল চঙখ্রে

রাবট, ফেব্রুৱারী ৯ (এজেন্সী):

মোরোক্কোনা য়ূম্বু ওইদুনা চথুরিবা ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচতা রিয়াল মাদ্রিদনা ইজিপ্টকী টিম অমা ওইরিবা অল অহলিবু লাকচনা ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

রিয়াল মাদ্রিদনা সাউদি অরাবিয়াগী অল হিলালগা থাংজ নুমিৎতা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।



রিয়াল মাদ্রিদ অমদি অল অহলি অনীনা শান্নখিবা মেটচতা রিয়াল মাদ্রিদকী ভিনিসিয়স জুনিয়রনা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ ফেদেরিকো ভালভর্দেনা শান্নবগী ৪৬ শুবা মিনটতা রিয়াল মাদ্রিদকী অনীশুবা গোল চনখি। রোদ্রিগোনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা অহুমশুবা অমদি সর্জিও এরিভাসনা ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৮শুবা মিনটতা মায় পাকপগী মরিশুবা গোল চনখি। অল অহলিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অলি মালুলনা শান্নবগী ৬৫ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী চনখিবনি।

EDUCITY TUTORIAL CUM HOSTEL
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIRAK MACHIN, IMPHAL-795004

ADMISSION OPEN-2023
FOUNDATION COURSE FOR CLASS - I to X

SUBJECT:-
I to VIII (All Subject)
IX and X (Maths, Eng., Sc., S.Sc)

SPECIAL FEATURES FOR CLASS IX & X:-
* Q & A Analysis (Frequent Weekly Test)
* Possible Suggestion
* Free & printed study materials to each students
* Well Experience Faculties
* Limited Student Intake
* Special Classes for Weakers Students

CLASS TIMING:-
4:00 PM to 7:00 PM (WINTER)
4:00 PM to 7:30 PM (SUMMER)

* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS
FACILITIES FOR HOSTELER:-
1. Clean and Hygienic Food
2. CCTV Campus
3. Ample Space for Reading & Boarding
4. 24 Hrs Supervision with Teachers
5. Yoga and Aerobic Classes for Mental & Physical Health

Class Starting:-
20th February, 2023
& 15th March, 2023


For Classes I to VIII
* Learning Benefits
* Homework Help
* Improves Grades
* Intensive Learning
* Van Facilities
*To and fro - Hostel and School
*To and Fro - Home and School

10% discount for the student who secure 1st to 5th Position in their school

CONTACT: 9612194500/7005349894
OFFICE TIMING: 10:30 AM TO 7:30 PM

HL-P/4983/1,3,5,7,9,11,13,15,17,19

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 712**

**Garry Kasparov (2775) - Zoltan Ribli (2605)**
**World Cup Skelleftea, 1989**

1.c4 c5 2.Nf3 Nf6 3.Nc3 e6 4.g3 b6 5.Bg2 Bb7 6.O-O Be7 7.d4 cxd4 8.Qxd4 d6 9.Rd1 a6 10.Ng5 Bxg2 11.Kxg2 Nc6 12.Qf4 Ra7 13.Nge4 Rd7 14.Be3 Ne5 15.Nxf6+ Bxf6 16.Na4 Qa8+ 17.Kg1 Qc6 18.Nxb6 Rb7 19.c5 dxc5 20.Nc4 Nxc4 21.Qxc4 Bxb2 22.Rab1 O-O 23.Qxc5 Qa4 24.Rd2 Rb5 25.Qc6 Bd4 26. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 711 Ans. :**

25. Bxh7+ With a discovered attack by the white queen on Black's rook. The white bishop moves out of the pin by Black's rook against White's queen. The white bishop decoys Black's king.
Kxh7 26. Qh5+ Kg8 27. Bxg7 The white bishop decoys Black's king.
Kxg7 28. Qh6+ Kg8 29. g6 fxg6 30. Qxg6+ The white queen captures Black's pawn, which was defending the square h5.
Kh8 31. Qh5# Lawnmower mate
31. Qg7# Damiano's rook mate
31. Qh6# Lawnmower mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com